# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-02-2025)**

**মনিপুর (এল) ঃ** রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরম্বা নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নোংমাইজিং নুমিৎতা মুখ্য মন্ত্রি ফম থাদোকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা মনিপুরগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি কনানা ওইগদগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

ঙরাংসু বি.জে.পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ সম্বিৎ পত্রানা বি.জে.পি, এন.পি.এফ অমসুং এন.পি.পিগী এম.এল.এ. খরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লাগসু উন্নখি।

অকাশবানি ইম্ফালনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়-শ্রী সম্বিৎ পত্রা ঙসি ন্যু দিল্লিদা হল্লগনি। তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল এনালিষ্টশিংগী মোত মতুং ইন্না, অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইগদবা মীওই লেপথোকপা ঙমদ্রবদি, ঙসি রাজ্য অসিদা প্রসিদেন্ট রুল থল্লক্লবা য়াই। অদুবু, থল্লকপা য়াই হায়রিবা প্রসিদেন্ট রুল অসি সসপেন্দেদ এনিমেসন ওইরবা য়াই।

**সমার্ট (এল)ঃ** রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি-প্রসান্ত কুমার সিংহনা ইম্ফাল সমার্ট সিটি মীসনগী মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং ঙরাং চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা মহুদ, ইম্ফাল সমার্ট সিটি, পি.দি.এ, এন.পি.ঐচ.সি, বি.ই.এল. অমসুং পি.ডব্লিয়ু.দিগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু লোয়নখি। ইম্ফাল সমার্ট সিটি লিমিটেদকী চেয়ারমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিনা হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অপিবা মতমগী মনুংদা মতম চানা লোয়শিন্নবা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা খঙহনখি। চীফ সেক্রেটরিনা শঞ্জেনথোংদগী মিনুথোং ফাওবগী ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা শরুক্তা শেমগৎলিবা লম্বী, কংলাগী নোংপোক থোংদগী অনন্দা সিংহ একাডমী তাবা লম্বী, মন্ত্রি পুখ্রিদা শেমগৎলিবা ইন্টিগ্রেটেদ কম্মান্দ এন্দ কন্ট্রোল সেন্টর, সেকেন্দ এম.আর. গেট মনাক্তা

শাগৎলিবা আই.সি.সি.সিগী বিল্ডিং, কংলাগী নোংপোক থোংদগী মিনুথোং ফাওবগী মরক্তা ইম্ফাল তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোর্বান শেমগৎপগী থবক, থঙ্গাল লম্বী শেন্বা অমসুং ইমা কৈথেলগী বেষ্টমেন্ট পার্কিং শেমগৎপগী থবকশিং য়েংশিনখি। মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংনা চয়োল খুদিংগী থবকশিং অসিগী প্রোগ্রেস রিপোর্ট পীখৎলকবসু চীফ সেক্রেটরিনা খঙহনখি।

প্রোজেক্টশিং অসি থুনা লোয়শিন্নবা হোৎনবদা দরকার লৈবা মতেং খুদিংমক পাংগনি হায়নসু মহাকা থাজবা ফোংদোকখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** সেফর ইন্টরনেট ডে হায়বসিদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙরাং থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্সকী ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং নেসনেল ইনর্ফোমেটিক্স সেন্টর (এন.আই.সি) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিট অনি পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদু টুগেদর ফোর এ ভেটর ইন্টরনেট হায়বা থিবদা য়ুম্ফম ওইদুনা মীয়ামনা মতৌ করমা নিয়ম চুমা ইন্টরনেট শিজিন্নগদগে হায়বসিগী মতাংদা ভাব তামীন্ননবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**এআর (এল)ঃ** ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ৱিমেন এন্দ গালর্স ইন সাইন্স হায়বা হীরমদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা মোরেগী ওল কম্ম্যুনিতি ৱেলফিয়ার স্কুলদা ঙরাং সাইন্স কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-কম্পিটিসন অসি নুপীমচাশিংদা সাইন্স, টেকোলোজি, ইঞ্জিনিয়ারিং অমসুং মেথমেটিক্সকী ৱাখল্লোনশিং হেন্না ফাওহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। কম্পিটিসন অদুদা মহৈরোই ৩৭৫ না অথোই অহেন তান্নখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা উখ্রুল জিলাগী কচাই ভিলেজতা বাস্কেট

বোল কোর্ট অমা শাদুনা ঙরাং শঙ্গাখ্রে। মসি মফম অদুগী মীওইশিং মশা-মউ ফনা থমবগী ৱাখল্লোনদা শেমগৎপনি হায়রি। শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা মফম অদুগী মীয়ামগী নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

**রোড (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং হন্থহন্নবগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-চুরাচান্দপুরনা শিনদুনা ঙরাং তুইবোংদা লৈবা মিণি সেক্রেটরিয়েট কনফরেন্স হোলদা দিষ্ট্রিক্ট রোড সেফতি কমিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং হন্থহন্নবগী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম হেন্না পাক চাউনা পাঙথোকবা অমসুং চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ধরুনকুমারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা লম্বী চৎপগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকা চৎতুনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং হন্থহন্নবা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা চুরাচান্দপুরগী এস.পি. অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**প্রসার ভারত্তি ঃ** প্রসার ভারত্তিগী চীফ ইগজ্কিটিব ওফিসার-গৌরব দ্বিবেদিনা ঙরাং মুম্বাইদা অকাশবানি অমসুং দুরদর্শনগী ওফিসিএলশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা অকাশবানি অমদি দুরদর্শননা শন্দোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখি অমসুং অতাবা অমসুং অয়েংবশিংগী পুকিং চিংশিনবা য়াবা অমদি কান্নগদবা থৌরমশিং ওফিসিএলশিংনা পুথোকবা খঙহনখি।

**মিজোরামঃ** মিজোরামদা ভিলেজ এন্দ লোকেল কাউন্সিলগী মেম্বরশিং খন্ননবা ভোট থাদনবা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং তরেৎতগী হৌখ্রে। নুংথিল পুং

মরি ফাওবা ভোট থাদনগনি।

মীখল অসিদা ভিলেজ কাউন্সিল ৫৪৪ অমসুং লোকেল কাউন্সিল ১১১ গী মেম্বরশিং খনগনি। ভিলেজ কাউন্সিলগী ওইনা পুন্না ভোটর লাখ ৪ লিশিং ৩৭ লোমনা মীখল অসিগীদমক ভোট থাদনরি। লোকেল কাউন্সিলগী ওইনা ভোটর লাখ অনি লিশিং ৮৫ হেনবনা ভোট থাদনরি। ভোট মশিং ঙসি নুমিদাং পুং তরেৎতগী থিবা হৌগনি।

**মিজোরাম ঃ** অসাম রাইফলসনা মিজোরামদগী মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি অমা লাখ ৮৪ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন নম্বর ফোর ফারে।

অসাম রাইফলসনা মিজোরাম পুলিসকা খুৎশমরগা মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা ম্যান্মার মচা অনিদগী পোৎলমশিং অদু ফাগৎখিবনি হায়রি।

**গেমসঃ** উত্তরাখন্দদা চথুরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী তকমান ১২, লুপাগী ১২, শেঞ্জেংগী ২১ পুন্না তকমান ৪৫ ফংদুনা ৮ শুবা মফমদা লৈরি।

গেমস অসিগী ঙরাং ১৫ নি চনবা নুমিৎতা মনিপুরনা জ়্দো মশান্নদা শেঞ্জেংগী তকমান অনি লৌখি। গেমস অসিদা মনিপুর টিমনা ওইরিবা ফিভম অমসুং ওইরকপা য়াবা ফিভমশিংগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালদা পাউদম্লদুনা চীফ দি মীসন-মোইরাংথেম রাচন্দ্রনা অসুমা ফোংদোরক্লি।

**মীতিং ঃ** মোলদ্বিপস পার্লিয়ামেন্টকী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম বিরলাগা উন্নখ্রে।

মোলদ্বিপসকী মীহুৎ কাংবু অদু পিপলস মাজলিজ ওফ মোলদ্বিপসকী অধ্যক্ষ-অব্দুল রাহিম অব্দুলনা লুচিংলকখি। উন্নবা অদুদা ওম. বিরলানা হায়-

মোলদ্বিপস অসি ভারতকা চহি চা কয়াদগী নাৎ, কালা সংস্কৃত্তি, শেল থুম অমদি লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনদুনা লাক্লি। মসিনা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহন্দুনা তুংগী আশা কয়া পীরি। লৈবাক অসিনা সংবিধান চৎনরকপা চহি ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লি। ভারতকী সংসদতা দিজিটেল টেকোলোজি শিজিন্নরিবা অদুগী মতাংদসু অধ্যক্ষনা মোলদ্বিপসকী মীহুৎ কাংবু অদুদা নীংথিনা খঙহনখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সম্বিৎ পত্রানা রাজ্যপাল উন্নখিবা, মনিপুরদা সসপেন্দেদ এনিমেসন থল্লকপা য়াই হায়বা পাউনা ঙসি ইম্ফালদা ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বি.জে.পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ-সম্বিৎ পত্রানা লুচিংদুনা গভরনরগা উন্নখ্রে। গভনরনা মনিপুর এসেমব্লি এনিমেটেদ সসপেন্সন থল্লবা য়াই হায়বা পাউ মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, দা মোরনিং বেল অমসুং সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগা মরী লৈননা রাজ ভবনদা সসপেন্দেদ এনিমেসনগী রিকমেন্দ তৌখ্রব্রা, থা তরুক কান্নরসু এসেমব্লি মুখৎপগী ৱাফম লৈতে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মাজর এগ্রীমেন্ট চপ চানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা এম.পি. সনাজাউবনা পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর ন্যুজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা রাজনিতিগী চরাংনবা লৈরি হায়বা পাউ মনিপুর মেলগী

অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেন্টরনা মনিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি খাঙবদা ৱাই হায়না কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পান্থীশিংদগী মাও অমদি মনম লৌথোকবা মেছিন মায় পাকা পুথোক্লে হায়বা পাউ সনা লৈবাক পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

কাংপোকপী জিলাদা পোপী পান্থীশিং য়ানথৎখ্রে, শঙ অনি মৈ থাদোকখ্রে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মালেমঙানবা মীহাৎকা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা লৈঙাক্তা পুং ২৪ গী মতম থাখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মীয়াম পুমমক ইং-তপা লৈবিয়ু অমসুং তোকঙা থাজবীগনু হায়না চীফ সেক্রেটরি-প্রসান্ত কুমার সিংহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-অন্সমনা নাগা তাবা মফমশিংদা বোর্ডর ফেন্সিং অমসুং এফ.এম.আর. চৎনহনবদা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।